

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, WEDNESDAY, APRIL 8, 2015 PAGE 7



নুপীগী বেটমিন্টনগী ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা নম্বর ৱান
পোজিসন লৈরম্বদগী হন্থখ্রবসু অমুক হন্না নম্বর ৱান
ওইগনি হায়বগী থাজবা থমখিবা সাইনা নেহৱাল

যু এস ক্লে কোর্ট চেম্পিয়নশিপকী অহানবা
রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়াগী লেতন হেৱিটপু থোইখিবা
জপানগী শান্নরোই গো সোইদা

# মেটচ অনি শান্নখিবদা মায় পাকপা ঙমদ্রিবা ইন্দিয়াগী টিম ঙসি মলেসিয়াগা শান্নগদবা মেটচতা মায় পাকপা ঙম্নবা কন্না হোৎনগদৌরি

24th Sultan Azlan Shah Cup Men's International Hockey Tournament 2015



*সুলতান অজলান সাহ কপ হোকিগী অহানবা মেটচতা ইন্দিয়া অমসুং সাউথ কোরিয়ানা শান্নখিবা মেটচ (ফাইল)*

**ইপোহ, এপ্রিল ৭ঃ**

মলেসিয়াগী সহর ইপোহদা পাঙথোক্লিবা ২৪ শুবা সুলতান অজলান সাহ কপ হোকি টুর্নামেন্ট ২০১৫ দা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী হোকি টিমনা টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা মেটচ অনি শান্নখিবদা মায় পাকপা ঙমদ্রি। অদুবু মখোয়না হয়েং য়ুম্থু লৈবাক মলেসিয়াগা শান্নগদবা রাউন্দ রোবিন মেটচকী অহুমশুবা মেটচতা মায় পাক্লবা কন্না হোৎনগনি হায়বগী থাজবা লৈরি।

নিংশিংবা য়াই টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী হোকি টিম অসিবু লমজিং লমতাক্লিবা কোচ নেদরলেন্দস মচা পোউল ভান আসনা মহাক্কী থৌপুবগী অহানবা মরুওইবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবনি। মহাক্না শিন্দোকখিবা ইন্দিয়াগী হোকি টিম অসিদা মণিপুরদগী চিংলেসনা নৌনা শরুক য়াখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা মেটচতা ইন্দিয়াগী টিম সাউথ কোরিয়াগা শান্নবদা পাঙ্গল ২–২ চন্নরগা দ্রো চৎখি। মদুগী মতুং ইন্দিয়ানা ঙরাং শান্নখিবা অনিশুবা মেটচতা মালেমগী হোকিগী রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াদগী হন্থনা লৈরিবা টিম নিউ জিলেন্দগী মখুৎতা পাঙ্গল ১–২ দা মায়থিদুনা চথরিবা ২৪ শুবা সুলতান অজলান সাহ হোকি টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা ইন্দিয়া টিম ৬ না শরুক য়ারিবা অসিদা ৪ শুবা পোজিসন্দা শুপ্নগী পোইন্ট অমখক ফংলগা লৈরি।

মথং চহিদা ব্রাজিলনা য়ুম্থু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক গেমসকীদমক্তা মমাংগী চহিদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান গেমসতা নুপাগী হোকিগী গোল্ড মেদল লৌদুনা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়ানা হয়েং মলেসিয়াগা শান্নগদৌরিবা অহুমশুবা মেটচতা অকনবা মীৎয়েং চঙশিন্দুনা মায় পাক্লবা হোৎনগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা কোচ পোউল ভান অমদি শান্নরোইশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোক্লরক্কি।

ইন্দিয়া অমদি নিউ জিলেন্দ শান্নখিবা মেটচ অদুদা মায় পাকপা য়াবগী খুদোংচাবা কয়া লৈরম্লবসু ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং অদুনা চেকশিনবা ৱাৎখিবা অদুনা মরম ওইরগা মায়থিবনি হায়না হোকিগী ক্রিটিকশিংনা ফোঙদোক্লরক্কি।

হয়েং ইন্দিয়াগা লাম্বা তৌনগদৌরিবা মলেসিয়াগী টিম অদুসু মেটচ অনি শন্নবদা অনিমক মায়থিদুনা লৈরিবনি। মখোয়সু ইন্দিয়াগা শান্নগদৌরিবা মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা কন্না হোৎনরক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈরি। পনবা য়াবদি ইন্দিয়া মালেমগী হোকি শান্নবা লৈবাকশিংগী রেঙ্কিং লিষ্টতা ৯ শুবা পোজিসন্দা লৈরি। অদুগা মলেসিয়ানা ১২ শুবা পোজিসন্দা লৈরিবনি। মলেসিয়াগী ওইনা মখোয়না য়ুম্থু ওইরগা পাঙথোক্লিবা টুর্নামেন্টে অসিগী নম্বর ৱান টিম ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নখিবদা পাঙ্গল ২–৩ দ মায়থিখিবা অদুনা মখোয়গী অচৌবা পাঙ্গল অমা ওইরি। মরমদি মখোয়না ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদা য়াম্না নক্লবা লাম্বাদা পাঙ্গল ২ চনবা ঙমখিবা অদুননি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা ঙসি হুম্নিশুবা নুমিৎ মেটচ লৈতে। হয়েং মকোকথোংবা টিম ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং কোরিয়া শান্নগনি। লোয়ননা ওষ্ট্রেলিয়াগা পোইন্ট মান্নরিবা নিউ জিলেন্দগা কনাদাগা শান্নগনি। মায় পাকপগী চাং নিউ জিলেন্দনা হেনবা মরমদা পোইন্ট টেবলনা হয়েং ওষ্ট্রেলিয়াদগী নিউ জিলেন্দনা হেনবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈরি।

| Team | Pld | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Australia | 2 | 2 | 0 | 0 | 10 | 2 | 8 | 6 |
| New Zealand | 2 | 2 | 0 | 0 | 6 | 3 | 3 | 6 |
| South Korea | 2 | 1 | 1 | 0 | 5 | 3 | 2 | 4 |
| India | 2 | 0 | 1 | 1 | 3 | 4 | –1 | 1 |
| Malaysia | 2 | 0 | 0 | 2 | 4 | 7 | –3 | 0 |
| Canada | 2 | 0 | 0 | 2 | 1 | 10 | –9 | 0 |

# ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ ক্রিকেটকী ৮ শুবা ইদিসন হৌদোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

**কোলকটা, এপ্রিল ৭ঃ**

ক্রিকেট মশান্নগী ওইনা খ্বাইদগী নৌনা ভাবকশিংনা পাম্নরক্লিবা টি–২০ ক্রিকেটকী খ্বাইদগী লিরবা অমদি মমিং লৈরবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ৮ লক শুবা সিজনগী ঙসি হৌদোকপগী থৌরম কোলকটাদা লৈবা ইদেন গার্দেন ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা চিং লেপ্লবা থৌরম



*আই পি এল–৮ দা লাম্বা তৌনগদৌরিবা টিম ৮ গী কেপ্তেইনশিং*

অমগা লোয়ননা হৌদোকখ্রে।

ক্রিকেট মশান্নগী ওইনা হৌরকপদা নুমিৎ ৫ নি চঙনা শান্নবা টেষ্ট মেটচকী মশান্ননা মপুং ওইরম্বনি। মদুগী মতুং নোংমগী ওইবা ক্রিকেট মশান্না শম্না ৱান দে ক্রিকেট হায়না খঙনবা ওভর ৫০ না মপুং ওইরগা শান্নবা মশান্না অসিনা ক্রিকেটকী মিংশেল ওইরম্বনি।

অদুবু ওভর ২০ / ২০ শান্নদুনা ক্রিকেট মশান্না অসিগী মতম শাংনা চঙবা অদুগী ওন্ন তৈনবদা অতেনবা মতমদা ভাবকশিংদা নত্তনা শান্নরোইশিংগী মরক্তা মশান্না অসিগী ওইনা পাঙ্গল ফুদোকপা য়াবগী তাঞ্জা অমা পীরিবা ত্বেন্টি–২০ ক্রিকেটনা মালেমগী ক্রিকেট ভাবকশিং অমদি শান্নরোইশিংবু অনৌবা ইহুল অমা পীদুনা য়াম্না পাম্নরবা ক্রিকেটকী ফোর্মেট অমা ওইরক্লি।

অনৌবা ফোর্মেট অসিগী লুচিংপুরেল ইন্দিয়ানা ওইখিবনি। লৈবাক অসিগী ক্রিকেট বোর্দ (বি সি সি আই) না শিন্দুনা ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ ক্রিকেট–২০ /২০ ইহান হান্না হৌদোকখিবনি।

ইন্দিয়ানা হৌদোকখিবা অসিগী মতুং ইন্না ক্রিকেট শান্নবা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদসু মশান্না অসিগী মপুং ওইবা লীগ টুর্নামেন্টশিং পাঙথোরক্তুনা মালেমগী থাক্তা টি–২০ ৱার্ল্ড ক্রিকেট চেম্পিয়নশিপ লৈরকপা ঙমখি।

ঙসি কোলকটাগী ইদেন গার্দেন ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা হৌদোকখিবা আই পি এল টি–২০ গী ৮ শুবা ইদিসন্দা পুন্না টিম ৮ না শরুক য়ারি।

নিংশিংবা য়াই ২০১৪ গী আই পি এলগী ৭ শুবা ইদিসন্দা কোলকটা নাইট দাইরসনা কিংস এলভেন পঞ্জাবপু ৱিকেট ৩ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।


২০১৫ গী আই পি এল ত্বেন্টি–২০ গী ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ওইনা মমাংদা পাঙথোকখিবা অদুগুম্না পুন্না টিম ৮ না শরুক য়াদুনা মকোকথোংবা টিম খনগদৌরি। টুর্নামেন্ট অসি সিজন অসিগী ওইনা পুন্না থা অমগা নুমিৎ ১৭ নি চঙনা শান্নদুনা টিম ৮ অসিদা শরুক য়ারিবা তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়াদগী লাকপা শান্নরেই অমদি ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা শরুক য়ামিন্নদুনা টাইটল লৌনবা অকনবা মওংদা লাম্বা তৌনগদৌরি।

নিংশিংবা য়াবদি মমাংগী সিজন্দা পাঙথোকখিবা আই পি এল ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা শান্নরোইশিংগী মরক্তা নত্তনা শিল লাংলিবশিংগী মরক্তসু করিগুম্বা মখল অমত্তগী চয়েৎনবা লৈতনা লোইশিনখ্রবা মতুং ২০১৫ আই পি এল ৮ কী টুর্নামেন্ট অসিসু মমাং চহিগুম্না চয়েৎনবা লৈতনা লোইশিন্নবা শিল লাংলিবশিংনা কন্না হোৎনরি।

ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলগী মখাদা হন্দক্তা ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং নিউ জিলেন্দনা য়ুম্থু ওইরগা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ ক্রিকেট (ওভর ৫০ গী) টুর্নামেন্ট লোইশিনখিবতা ঙাইরিঙৈ আই পি এল লাকপা অসিনা মরম ওইরগা শান্নরোইশিংগী মরক্তা মখোয় মখোয়না ৱাৎহৌবা অমদি মেনশিন্নিংবা তাঞ্জা কয়া আই পি এলদা মেনশিন্নবা হোৎনগদৌরি।

আই পি এল সিজন ৮ গী ঙসি কোলকটাগী ইদেন গার্দেন ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা হৌদোকপগী থৌরম নোংনা মরম ওইরগা অপনবা খরা পীখ্রবসু হৌনবীগী মতুং ইন্না অশোই অঙাম য়াওদনা লোইশিনখি।

ঙসি হৌদোকখিবা আই পি এল সিজন ৮ গী কম্পিটিসনগী ওইনা শান্নবা হয়েংদগী হৌগদৌরি। হৌদোকপগী মেটচতা মমাংগী চেম্পিয়ন কোলকটা নাইট রাইদর্সনা মুম্বাই ইন্দিয়ানসকা শান্নগদৌরি।




# এন্দি মুরে ৩ শুবা পোজিসন্দা হায়গৎখ্রে



**পেরিস, এপ্রিল ৭ঃ**

মালেমগী টেন্নিস মশান্নগী পুপাগী সিঙ্গলসকী অনৌবা রেঙ্কিং লিষ্ট থোরকপদা গ্রেট বৃটেনগী এন্দি মুরে হান্না লৈরম্বা মরিশুবা পোজিসন্দগী অমা হায়গৎলগা হৌজিক হৌজিক অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈবা ঙমখ্রে।

মুরে নোংমাইজিং নুমিৎতা লোইশিনখিবা মিয়ামী ওপন এ টি পি টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা নম্বর ৱান শান্নরোই সর্ভিয়াগী নোবাক জোমোবিচকী মখুৎতা ফাইনেল মেটচ মায়থিহৌরবসু মহাক্কী পার্ফোমেন্স অদুনা হান্না নম্বর থ্রিদা লৈরম্বা স্পেইনগী রাফেল নাদালদগী হেন্দুনা অহুমশুবা পোজিসন্দা য়ৌরকখিবনি।

মতম শাংনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্বদগী মশাগী অশোকপা লৈখিবা অমদি টুর্নামেন্ট কয়া শরুক য়াবা ঙমখিদবা মরমনা ঙরাং এ টি পি গী খ্বাইদগী নৌনা রেঙ্কিং লিষ্ট থোক্ত্রিঙৈগী মাংওইননা অহুমশুবদা লৈরম্বা স্পেইনগী রফেল নাদাল অনৌবা রেঙ্কিং লিষ্ট অসিগী মতুং ইন্না মঙাশুবা পোজিসন্দা হন্থখি।

জপানগী নহা ওইরিবা শান্নরোই কৈ নিসিকোরি মহাক্কী মমাংদা লৈরম্বা মঙাশুবা পোজিসন্দগী পোজিসন অমা হেনগৎলগা ৪ শুবা পোজিসন্দা লৈদুনা প্রোফেস্নেল টেন্নিসদা য়াম্না তেনবা মতমদা নম্বর ফোর য়ৌবা ঙম্বা অহানবা শান্নরোই ওইরি হায়না মীয়াম্না লৌনরি। মহাক্না রাফেল নাদালদগী পোইন্ট ২৫ হেল্লগা পোজিসন অসিদা লৈবা ঙমখিবনি।

এ টি পি গী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোইশিংগী ওইনা ঙরাং থোকখিবা খ্বাইদগী নৌবা রেঙ্কিং লিষ্টতা লৈরিবা পোজিসনশিং অদুদিঃ– ১) নোবাক জোকোবিচ (সর্ভিয়া–পোইন্ট ১৩২০৫), ২) রোজর ফেদদর (স্বিজরলেন্দ–৮৮৯৫), ৩) এন্দি মুরে (বৃটেন–৬০৬০), ৪) কৈ নিসিকোরি (জপান–৫২৮০), ৫) রাফেল নাদাল (স্পেইন–৫২৫৫), ৬) মিলোস রাউনিক (কনাদা–৫০৭০), ৭) দেবিদ ফেরর (স্পেইন–৪৬৭০), ৮) তোমাস বর্দিস (জেক রিপব্লিক–৪৫১০), ৯) ষ্টান ৱারিঙ্কা (স্বিজরলেন্দ–৪৪০৫), ১০) মারিন সিলিক (ক্রোএসিয়া–৩৩৬০), ১১) গ্রীগোর দিমিত্রোব (বলগেরিয়া–৩০৫৫), ১২) ফেলিসিয়ানো লোপেজ (স্পেইন– ২৩৮০), ১৩) গাইলস সাইমন (ফ্রান্স–২২১০), ১৪) জো ৱিলফ্রেন্দ সোঙা (ফ্রান্স–২১৩৫), ১৫) রোবার্টো বোটিষ্টা (স্পেইন–১৯৪০), ১৬) কেবিন এন্দরসন (সাউথ অফ্রিকা–১৯১৫), ১৭) অর্নেষ্ট গুলবিস (লাটভিয়া–১৯১০), ১৮) গেল মোনফিলস (ফ্রান্স–১৭৫০), ১৯) জোন ইস্নর(য়ু এস এ–১৭২০) অমসুং ২০) তোমি রোব্রিদো (স্পেইন–১৭২০) নি।

# নম্বর ৱান পোজিসন ফংবা ঙমখিগনিঃ সাইনা

**নিউ দিল্লি, এপ্রিল ৭ঃ**

ইন্দিয়াগী বেটমিন্টন মশান্নগী ওইনা নুপীগী সিঙ্গলসকী মায়কৈদা লাম্বা লৈত্রবী সাইনা নেহৱালনা হন্দক্তা নিউ দিল্লিদা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়া ওপন সুপর সেরিজ বেটমিন্টন টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌরবা মতুং ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইবা ঙমখিবা ইকান কান্নদনা মলেসিয়া ওপন সুপর সেরিজ টুর্নামেন্টতা সেমি ফাইনেলদা মায়থিহৌবদগী নম্বর ৱান রেঙ্কিং হন্থখিবনি। অদুবু মহাক্না ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না নম্বর ৱানগী পোজিসন অদু অথুবা মতমদা ফংবা ঙমগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াই নোংমাইজিং নুমিৎতা লোইশিনখিবা মলেসিয়া ওপন সুপর সেরিজ বেটমিন্টন টুর্নামেন্টকী সেমি ফাইনেলদা সাইনাবু মমাংদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্বী চাইনাগী লুই জুইরুইনা মায়থিবা পীরম্বদগী জুইরুই অমুক হন্না ৱার্ল্ড নম্বর ৱানদা লৈবা ঙম্লগা সাইনানা নম্বর টুদা হন্থখিবনি।

সাইনা নেহৱালনা ফোঙদোরকপদা মহাক্কী বেটমিন্টন কেরিয়ারদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান য়ৌবা ঙম্বগী মঙলান অদু মঙফাওনরবা মতুংদঠ অমুক হন্থখিবা অদু করিসু কায়দে। অথুবা মতমদা মহাক্কী মায়কৈদগী কন্না হোৎনদুনা চাইনাগী শান্নরোই লি জুইরুইবু ইন্থরন্নগা নম্বর ৱানগী পোজিসন্দা অমুক হন্না লাকপা ঙমগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থল্লি হায়খি।

# ইংলিস প্রেমিয়র লীগতা মঞ্চেষ্টর সিটি খৃষ্টেল পেলেসকী মখুত্তা মায়থিখ্রে

**লন্দন, এপ্রিল ৭ঃ**


মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা চথরিবা নেসনেল ফুটবোল লীগশিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা লীগ অসিগী টাইটল লৌনবগী আশা থল্লিবা মঞ্চেষ্টর সিটিনা খৃষ্টেল পেলেসকা শান্নখিবা মেটচ অমদা পাঙ্গল ১–২ দা মায়থিবা নংদুনা মখোয়গী লীগ টাইটল লৌবগী আশাদা চাওনা অপনবা লৈখ্রে।

মঞ্চেষ্টর সিটিনা লীগ অসিগী ৩১ রক শুবা লীগ মেটচ ঙরাং খৃষ্টেল পেলেসকা শান্নবদা মায়থিখিবা অদুনা মরম ওইদুনা হান্না মখোয়না ফংলম্বা পোইন্ট ৬১ অদুদগী লেংবা ঙমদ্রি। অমরোমদা মখোয়বু মায়থিবা পীরম্বা খৃষ্টেল পেলেস ১২ শুবা পোজিসন্দা লৈরম্বদগী ১১ শুবা পোজিসন্দা হায়গৎপা ঙম্লি।

ঙরাং খৃষ্টেল পেলেসকী হোম গ্রাউন্দ সেলহর্ষ্ট পার্কতা শান্নখিবা লীগ মেটচ অদুদা য়ুম্থু ওইখিবা খৃষ্টেল পেলেসনা মঞ্চেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী চথরকখিবা এটেক কয়া নিংথিনা মায়োক্লদুনা লৈবা ঙমখি।

খৃষ্টেল পেলেসকী মায়কৈদগী শান্নবগী ৩৪ শুবা মিনিটতা টিম অদুগী শান্নরোই গ্লেন মুরেনা মহাক্কী টিম মেট স্কোট দাননা কাউশিনখিবা শোট অমা মঞ্চেষ্টর সিটিগী গোল কিপর জো হার্টকী মখোঙদগী থক্তোক্তুনা হায়দোরকপা বোলদা অমুক ইনশিন্দুনা অহানবা পাঙ্গল অদু ওইখিবনি।

অহানবা হাল্ফ অদু খৃষ্টেল পেলেসকী পাঙ্গল অদুনা মঞ্চেষ্টর সিটিবু মাংজিল থারগা লোইশিনখি। অনিশুবা হাল্ফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ খৃষ্টেল পেলেসকী মায়কৈদগী ফংখিবা ফ্রি কিক অমগী মতেংনা অনিশুবা পাঙ্গল অদু চনখি।



*মঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোই অনিদগী বোল মুন্নবা হোৎনরিবা খৃষ্টেল পেলেসকী শান্নরোই*

মঞ্চেষ্টর সিটিগী গোল লাইন য়ৌদ্রিঙৈ মিটর ২০ ৱাৎলিঙৈদা খৃষ্টেল পেলেসকী ষ্ট্রাইক্কর গ্লোন মুরেবু মঞ্চেষ্টর সিটিগী ফর্নান্দিনোনা ফাউল অমা তৌদুনা তুহনখিবগীদমক ফ্রিকিক অমা পেলেসনা ফংখি। য়াম্না মরুওইবা খুদোংচাবা অদু খৃষ্টেল পেলেসকী মায়কৈদগী জেসন পুনচেননা লৌনবা শেম শাখি। মহাক্না মিটর ২০ ৱাৎলিঙৈদগী কাউশিনখিবা শোট অদু লৈদুনা সিটিগী কিপ্পর হার্টপু মায়থিবা পীদুনা পাঙ্গল ওইহনখি। সিটিগী মায়কৈদগী ৭৮ শুবা মিনিটতা য়ায়া তোরেনা পাঙ্গল অমা চনখি।

## মৈতৈশিংগী মহৌশাদগী শাগোন্নরক্লবা মশান্নশিং

ডাঃ ৱাংখৈময়ুম বুধ সিংহ

### শগোল কাংজৈ

*ঙরাংগী মখা*

*কাংজৈ হৌরবদা অয়েংবশিংনা লাউনবা থাগৎনবা শীথনবা শান্নবুংগী নিন খোঙবগী মশকনি। পাঙ্গল চল্লবদা মপুরোইববু নুপীনা মীয়াম মাংদা থোক্তুনা লৈ হুকপা অমসুং মপুরোইবনসু অমুক হন্না মাগী নুপীদা হন্না হুকপা, ক্না ইন্নবনচিংবা তৌরম্মী। শগোলথক্তগী পাকথদুনা লৈ হুকপা, ফংনবা নোনথবদা নুপানা নুপীদা খুরম্লে হায়বনচিংবা মীয়াম্না ফাগী ফরাং তৌদুনা লাউবা কুম্মৈগী কুম্মৈ ঙাক্তা ওইরম্মী। পাঙ্গল থোইদুনা শান্নরোইনা য়াচঙবা মতমদা য়ুমদা মায়থোঙ মকালাম্না লাকপা অউবশিংগী কল্লক্লফমনি। অসুম্না মেরা কাংজৈ অমুক হল্লকখিগদ্রা খন্ননিংঙাই ওইরি। চহি ৫০ । ৬০ মুক্কী মমাংফাওবদা পাঙথোক্লরম্বা হরাউ কুম্মৈগী মওং লৌবা মশান্নসি মৈতৈ খুন্নাইগী ওইবা মশক অমসু মপুথোক্তুনা থম্লম্বনি।*

*ৱাঙুরোল (ফিলোসোফি)ঃ*

*মশান্নশিংবু মশান্না অমা ওইনতা লৌরমদে হায়বগী খুদম পীরিবা শগোল কাংজৈ অসি মৈতৈগী অখণ্ড–অহৈশিংনা নুংগী ৱাখল্লোন হায়বদি ৱাঙুরোল অমদা শাগৎতুনা থম্লবা মশান্ননি হায়না লৌই। মশান্নসিগী কাংদ্রুম থোম্বদা শিজিন্নরিবা কাংহু করিগী কৌই, মেরা কাংজৈ করম্না খঙনরিবনো অমসুং শান্নরোই তরেৎ লৈরিবসি করিগীনো– হায়বগী মতাংদা ৱাঙুরোল অসি পকশিন্দুনা লৈ। কাঙদ্রুমবু নুমিৎমক্লি লৌশিন্দুনা থম্মী।*

*কাঙহুগী মখোক লীনা ওইবা চৈনা 'পা' (নুপা)গী শক্তমনি, মশকনি, থোম্নবা কাঙজৈ মখোক থিংজিল্লবা 'উ' গী শরুক – 'উপল' হায়না খঙনরিবা অসিনা 'পী' গী মশকনি। পুন্না কাঙহুনা পা, পী লাইনিংথৌ লাইরেম্মা মথংশিংনা খঙনৈ। অনিনা পুল্লগা অমসুং তিন্নরগা তেংবাংনবগী থৱায় য়াইবী চোংথোকখি। মীৎনা উরিবা তেংবানবসি ফিনোমেনেল ৱার্ল্ড ৱাংমদা উৎথোক্তবা কোনুংদা লাইনিংথৌ লাইরেম্মনা কাঙবা (লেংবা) হৌরকই । মসিবু লৌদুনা কাঙহৌ হায়বদগী কাঙহু হায়রকখি।... লাইনিংথৌ লাইরেম্বী তিন্নদুনা তেংবাংনবা ওইনবা ময়াই অমা চোংথোরকইবা অদুবু কাঙহু অমসুং কাঙদ্রুমনা তাকইবনি। অসুম্না মৈতৈশিংনা তেংবাংনবা অমসুং তাইবঙপানবগী মরু লেমফু থিবগী কাঙলোন থিওলোজিদগী থোরকপা মশান্না শগোল কাঙজৈনি।*

*শগোল কাঙজৈ, শজিবুদা কাং শান্নবগুম মেরাদগী শান্নবা হৌই, শজিবু থাদা কাং শান্নববু শজিবু কাং কৌবগুম মেরা থাদা শান্নবা শগোল কাংজৈবু মেরা কাংজৈ হায়না মৈতৈশিংনা পাম্না কৌই। টি বোকুলগী মৎতা মশান্নসি মৈতৈগী সনধোংলোন (এস্ত্রোনোমি)তাকইবা মশান্ননি হায়না লৌদুনা মশান্নসি কালেন, কুম্বী হায়না খায়দোকপবু খঙহনবনি হায়না ফোঙদোক্লমই। 'কালেন লোয়রবা কুম্বী চঙলকপা মতমদা শান্নবা হৌদুনা কুম্বী চঙৈ হায়ববু নিংশিংই।মরম অদুনা শগোল কাংজৈবু মেরা কাংজৈ হায়না খঙনৈ। খুৎ অমগী শান্নরোই তরেৎনা সলাই অমনি। অতোপ্পা খুৎ অমগী শান্নরোই মশিংনা য়েকনি। খুৎ অমগী শগোল তরেৎনা নোংমাইজিং নিংথৌকাবা, লৈবাকপোকপা, য়ুমশকৈশ, শগোলশেন, ইরাই অমসুং থাংজ হায়বা নুমিৎ তরেৎপুনি। অতোপ্পা খুৎকী শগোল তরেৎ অমনা চৈওন (হায়বদি নুমিৎ অমা –নোংমা) তরেৎকী মশকনি, মসিসু নুমিৎনি। ৱাহৈ অমরোমদা হায়রগা চয়োল তরেৎকী নুংশাগী মহুৎশিনবা শগোল তরেৎ অমসুং নুমিৎকী মঙাল নুংশাগী মচু তরেৎকী মহুৎশিনবা শগোল তরেৎ খায়দোক্তুনা শান্নবগী কাংলোন শেম্বনি।*

*কাংলোন নাইবা নৈনরোলগী মওংদা কাংদ্রুমনা মালেমনি, কাংজৈগী উপলনা মালেমগী পুংজৈ (এক্সিস) অমসুং কাংজৈখোক অদুনা নুমিৎনা মালেমবু চিংশিনবগী লম্বীনি হায়না য়ুম্নাবা তম্ফাজাউনা অকনবা ৱাফম ফোঙদোকই। মাগী ৱাখল্লোন্দা মালেম্না নুমিৎপু চগো অমদা কোইদুনা চৎপবু মশান্নসিনা উহনবনি লৌই। মতম অদুনা কাংদ্রুমনা শান্নবুংগী ময়ায়দগী হুন্দুনা শান্নবা হৌরগা পাঙ্গল অমা চনববু মালেমনা নুমিৎকী অকোয়বদা কোয়রুরগা হান্নগী খোঙশাংনফম (কাংদ্রুম হুনফম শান্নবুংগী ময়াই) য়ৌরকই হায়বা তাক্তুনা চহি অমগী মশক উৎপনি হায়বা ৱাফম পীরকই। নুমিৎকী অকোইবদা মালেম্না কোয় নত্রগা মালেমবু নুমিৎনা কোই হায়বসি মমুৎ তানা পুয়াগী মতেং লৌদুনা নৈননিংঙাইনি।*

*অতোপ্পা ৱাফম অমদা কাঙদ্রুমবু নুমিৎকী মহুৎ ওইনা শগোলনা নুংশাগী মহুৎ ওইনা লৌদুনা নুংশানা নুমিৎ (মতমবুনি হায়না অইবনা লৌরে) পু তান্নবা খঙহনবনি, মরম অদুনা অয়ুক নুংথিল শাংলম্বদগী মেরা থাদগী তেনশিনবা হৌরবনি হায়না নিংশিংবনি হায়নসু লৌনৈ।*

... মথং মথং

ꯀꯤꯃꯦ ꯇꯨꯇꯣꯔꯤꯌꯦꯜꯁ Regd. No. : 456/M/SR/2010

KIME TUTORIALS

MTG BOOKS

An Institute Collaborated with MTG Books, New Delhi
Singjamei Chingamathak, Imphal

ADMISSION OPEN

CLASS XII-STARTED ON 19TH MARCH
CLASS XI-1st BATCH | STARTING ON 2nd
CLASS X-2nd BATCH | WEEK OF APRIL

Faculties:

| Science : | Social Science : | English : | Maths : |
|---|---|---|---|
| Sunil Sharma(X & XII) | A. B Singh(X) | Haridash Sharma(X) | A. Nandakishore(X&XII) |
| Dr. S.N. Singh(X & XII) | K. Brajamani(X) | Subash Singh(X&XII) | Ch. Ibomcha (X&XII) |
| M. Momota Devi(X & XII) | Brojen Sharma(X) | Miss Ratna M(X) | |
| L. Anandi Devi(X & XII) | | | |
| Birachandra(X & XII) | | | |

• Van service & Hostel facility are available

For more details contact Office of KIME TUTORIALS